
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# শিবানন্দ - বোধচন্দ্র অমদি অব্দুল কলাম



'শ্বামি শিবানন্দ ফাউন্দেসন সেন্টর' হায়বা লূপ অমা ইম্ফালদা লৈ হায়বদি ঐ হান্না শুকখঙ খঙলমদে। মদু ঐগী ইরাললনি। থিয়েটর অমদি লিটরেরি ওর্গনাইজেসন খরা নত্তনা, অতৈ লম কয়াদা মীয়ামগী থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিংসি ঐদি কয়া শম্নরুদে। অদুগা, রিলিজিয়স অমদি স্পিরিচ্যুঅল ওর্গনাইজেসন হায়বসিমদি মনাক শুকনকপু নক্লুদে হায়বা য়াই। অদুবু হায়রিবা হীরমশিং অসিগী লাইরিকশিংদি ঐনা পামজনা পারিবশিংগী মরক্তা য়াওরিবনি, ঐগী হোম লাইব্রেরিগী অচৌবা 'রেক' অমা কল্লিবনি। মরুপ মপাংশিংনা শাউই 'ৱা ঙাঙবদা হিন্দু অমা ওইনা থোক্লক্কনু' - তত্তনা হায়বীবা ৱানি। ঐনা হায় - 'হিন্দু' কৌবা ধর্ম্ম অমত্তা লৈতে। ঐগী 'বাইও-দাতা' দা 'হিন্দুইজম' হায়না মেনজরবসু, ঐদি ধর্ম্ম পূম্নমক ঐগীনি হায়বা নৎত্রগা 'ঐগীদি ধর্ম্ম লৈতে' খনজবা মীওই কাঙলূপ অমা লৈরম্লবদি, কাঙলূপ্তুগী মনুং চনবনি ঐদি। তত্তনা হায়জে - 'লাইগী মরমদা ইবা লাইরিক পার-পারগা লাই থাজদবা হেল্লি'। হৌজিক্তি মরুপ মপাংশিংনা ঐবু 'লাই থাজদবা মী' অমনি হায়বা চেনপ (তেগ) অমা নপ্পীরে।



ওন্থোকপা তানফম হায়বদুনি। শ্বামি শিবানন্দ ফাউন্দেসন সেন্টর' না শীনবা শ্বামি শিবানন্দ'না তাইবঙপান থাদোকখিবগী ৫৬শুবা কুমওন থৌরমদু, ঐগী মরুপ মাখোনমনি মোংশাব'না চিংশিনবীরক্তুনা, ময়ায় ফমফমদা ফমদুনা য়াওজরুরে, ঙরাং, ইঙেনগী ২৪নি পানবা, ইরাই নুমিৎ! ২০১৯, জুলাই থাগী ২৬! ঐনা অমুক্তা তিল্লুদ্রিবা তাইবঙ অমদা মমল য়াম্লবা পুন্সিগী মীকুপ খরা তিল্লুরে।

দিভাইন লাইফ সোসাইটি- শ্বামি শিবানন্দ'না লীংখৎখিবা ইন্টরনেসনল স্পিরিচ্যুঅল ওর্গনাইজেসন- অসিগী মণিপুরদসু মসা অমা লৈরে হায়বদি তাজখিবা (খঙখিবা) কুইরে। মখোয়গী থৌরম অমত্তা, মাঙলমচত্তা, য়াওননবা তাঞ্জাদুদি ফংখিদে। তাঞ্জা অদুবু ফংলবদি, লাইনীং-লম্বীগী মরমদা পাঙথোকপা নৈন-মীফম/সেমিনার অমুক্তা য়াওদনা নান্থোকহনখিদে - সনামহী, হিন্দুইজম, খৃষ্টিয়ানিতি অমদি সিখিজম! ইস্লামগী লাইনীং-লাইশোনগী নৈন-মীফম অমত্তা য়াওনবগী তাঞ্জাদুদি মুসলিম-মরুপ অমত্তনা ঙসি ফাওবা পীরক্ত্রি। কোরানগী ইংলিস ত্রান্সলেসন পাদুনদি য়েংলে, লৌশিনবদি ঙমদে নৈনবদু তৌদ্রিবনা। অল্লাহ'মক্কী য়াথংনি খন্দুনা কোরান'দা ইরিবা ৱাহৈশিংদু ঙাক্লবা মথ্বায় থাদোকপা পাম্মুদবা, মী হাৎপা হালেংদবা থৌনা অমা পীবা ঙল্লিবনা, মতিক ময়াই চেনবা লাইরিক ওইরমগনি - ৱাখলসিবুদি খল্লকই মতম চূপ্পদা।

ঙরাংগী থৌরমদু য়াওরুবা। ঐঙোন্দা শিন্নবা থৌগাইদু পাঙথোক্লবা হোৎনজরুবা থবকসিনা ঐঙোন্দা কান্নবা অনীখক পী। মদুদি, মণিপুরগী অরোইবা নিংথৌনি হায়নরিবা, মহারাজ বোধচন্দ্র - মশামক, শ্বামি শিবানন্দগী পুন্সি অমসুং ফিদমনা কন্না ইথিল পীখিবা, ফিদম অদু তুংইন্নবা হোৎনখিবা নিংথৌ অমনি হায়বা, হান্ননা খঙলমদবা অচুম্বসি খঙলকপা। অনীশুবদা, মোর্দন ইন্দিয়ন- মুসলিম- স্কোলর - একাদেমিসিয়নশিংগী মরক্তা অমনি খন্নরিবা 'অবদুল পকির জইনু লব'দিন অবদুল কলাম' (এ পি জে অব্দুল কলাম) - ইন্দিয়াগী ১১শুবা প্রসিদেন্ট, মিসাইল - মেন ওফ ইন্দিয়া! শ্বামি শিবানন্দগী মখোঙ খুয়াদা চঙজখিবা, গুরুদেবগী পুন্সি অমসুং ফিদম অদুবু পুন্সি চূপ্পা মশাগী 'লিভিং প্রিন্সিপল' অমা ওইনা, থবক ওইনা পাঙথোকখিবা মীশক অমনি।

মেদিকেল প্রোফেসন'দা চহী তরা লৈরম্লগা, 'দোক্তরশিংনা লায়েংলিবসিদি মপান্থোংগী ওইবা ইচম চম্বা অনাবনি, মীওইববু কোকঙমদ্রবা পুন্সিগী অৱা-অনা কয়াদগী কন্ননবা, অশেংবা লায়েং চথনবা পান্বেদি পূমতোপ তোপ্পা অমনি হায়দুনা দাক্তরগী শিনফম থাদোক্তুনা মালয় (এসিয়া) দগী হল্লক্লগা হিমালয় চীংখোঙদা গঙ্গা তুরেল তোর্ব্বান'দা লাকখি। অব্দুল কলাম'না গঙ্গা তুরেল তোর্ব্বানগী আনন্দ কুতির'দা চয়োল অনী শ্বামিজিগা লেনমিন্নখিবদু 'কোরৌ নুমিৎ অনীখক্কী মতৌগুম হৌখিবা/লোইখিবা খঙহৌদ্রে, ননাক্তগী লাপথোকপসিমক অৱাবা অমা ওইরক্লে,



লেঙদ্রবা ননাই ওইহনবীয়ু' হায়না চিঠি ইরকপদা গুরুদেব'না কলামদা, মহাক্লা তৌরিবা থবক্তু মখা অদুম চথনবা, থেসিস অদু লোইশিন্নবা য়াথং তৌখি। য়াথং অদু মকোকথক্তা থাঙ্গৎখি। দোক্তরেট দিগ্রী অমখক্তা নৎখিদে, অনীনসু লোইখিদে। দোক্তরেট দিগ্রী তরা-তরুকনি মঙকশমদা লৈতেংলিবা। মপুন্সি চূপ্পা ব্রহ্মচার্য ওইখি। ময়ূম পানখিদে, কল্লক-খম্বন, অপাম-নুংশি-ঈখৌদগী লাপ্পা লৈখি। মহাভারত- মহাকাব্যগী 'বিদুর' কৌবা চরিত্রদু মথম্মোয়দা লাৎচখি। হায়খি - গীতাগী গ্যান লৈরবা কনাগুম্বনা তাইবঙসিদা কনাবুনো কিরুদৌবা?

মন্দিরদসু লাই খুরুম্মী, চর্চ'তসু চঙদুনা মকোক নোল্লি, হিন্দুশিংগী গুরুদ মখোঙ শোক্লা খুরুম্মী হায়দুনা 'এ পি জে অব্দুল কলাম'বু মুসলিম নত্তে হায়দুনা মুসলমানশিংনা ঈন্থোকই - 'কলাম ইজ/ৱাজ নোট এ প্রাক্টিসিং মুসলিম'। মহাককী মোংফমদা লৈরিবা মিতমদুগী মনাক্তা, অচৌবা গীতাগী মিতম-লাইরিক অমা লৈরিবদুদা মুসলিমশিংনা ৱাকৎলকপদগী অতোপ্পা কোরান অমদি বাইবলগী মিতম - লাইরিক শাদুনা হাপচীনখি, ৱাথোক অদু নেমথহন্নবা।

লৌশিং পুক্কে

# মশাগী চহী ২৫ শুরবা মীওই খুদিংমক কোলেষ্টরোলগী চাং খঙদোকপগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর চেক তৌবা মথৌ তাই


মশাগী চহী ২০ হেল্লকপদা ঙাইরিবা মীওইশিংনা নহা ওইরিবা মরম্না হার্টকী মতাংদা থোইদোক্লা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে হায়না খল্লম্বা য়াই। অদুবু মশাগী চহী ২৫ শুরবা মীওই খুদিংমক্লা পুন্সিগী অনৌবা তাঙ্কক অমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরে হায়না খন্থবগা লোয়ননা হকশেলগী মতাংদা কা-হেন্না চেকশিনবা মথৌ তারে হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা মোত পীরি।

ৱাশিংটনদা লৈবা ডোক্তরস কম্যুনিটি হোস্পিটালগী কার্দিওলোজিষ্ট ডা. বিক্রম রায়ানা হায়খি, মশাগী চহী ২৫ শুরবা মীওই খুদিংমক কোলেষ্টরোলগী চাং খঙদোকপগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর চেক তৌবা মথৌ তাই। হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক্কী খুদম উৎথোরকপদা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবা কয়ামরুম লৈ।



ডা. বিক্রম রায়ানা হায়খি, নুপাদা উৎথোরকপা হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক্কী খুদমদি থবাক নাবা, থবাক ইলুম-লুমথরকপা অমসুং থবাক নারম্বদগী পাম্বোমলোমদা তপ্না তপ্না শন্দোকপা অসিনচিংবনি। নুপীদা উৎথোরকপা খুদম্না নিংশা শ্বর থেনবা, চাকখাউ মপাদা নাবা, উইরি-উইরি তৌরকপা অমসুং এঞ্জাইটি ৱাংখৎলকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা খুদমশিং অসি উৎথোরকপদা নুপী অয়াম্বনা অতোপ্পা লায়না ওইরবোই নীংবগা লোয়ননা থাগী খোঙকাপ খল্লকপগী খুদমনি হায়না শেরান্ননা লৌবা য়াওই। হার্ট এটেক্কী খুদমনি হায়বা নুপী অয়াম্বনা খন্থরুবা তৌদে।

থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈননা হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌহল্লকপা য়াবা রিস্কশিংগী মতাংদা ডা. রায়ানা হায়খি, ইঞ্চি ৩৫ দগী হেন্না খ্বাঙ চাউবা মীওইশিং হার্টকী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। পূক অমসুং খ্বাঙ মপাদা লৈবা ফেটনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা এঞ্জাইম অমসুং কেমিকেলশিং থাদোরকপদগী হকচাং মনুংদা ইনফ্লেমেসন তৌরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা হার্টতা অকায়বা পীরকই। অদুবু পুন্সি মহিং শেমদোকপা মতমদা হার্টকী ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা রিস্ক পুম্নমক হন্থখি। পুন্সি মহিং শেমদোকপগী অহানবা খোঙথাং ওইনা চাকচা-য়ুথক ফজবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা নুমীৎ খুদিংগী মীনিট ২০ লোম হকচাং শাজেল




তৌগদবনি। মসিনা হার্টকী ফীভম ফনা থম্বদা চাউনা মতেং পাংগনি হায়না ডা. রায়ানা ফোঙদোকখি।

মালেমদা চহী খুদিংগী ষ্ট্রোক অমসুং হার্ট এটেক তৌরিবা মীওই অয়াম্বা পুন্সি মহিং শেমদোক্লম্বা তারবদি খুদোংথিবা অসি মাঙজেননা ঙাকথোক্লম্বা য়াবনি হায়রি। অদুম ওইনমক রিস্ক ফেক্টর খরদি মীওইবগী কন্ট্রোল মখাদা লৈতে। খুদম ওইনা হায়রবদা চহী য়ামশিল্লকপা অমসুং ইমুং মনুংগী কনাগুম্বা মীওই অমা ষ্ট্রোক তৌখিবা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী কন্ট্রোল মখাদা লৈবা রিস্ক ফেক্টর নত্তে।

অদুম ওইনমক ইশা ইশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা ইরায় লায়না হন্থহনবা ঙম্বা রিস্ক ফেক্টর কয়ামরুম লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা য়ারিবমখৈ ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দনবা হোৎনগদবনি। ঈ-না হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা চেনবদা ঈ উতোংগী ৱালদা পীরিবা প্রেসর অদুবু ব্লদ প্রেসর হায়না খঙনৈ। ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা মতমদা হার্টনা মথৌ হেন্না তৌবগী তঙাইফদবা ফীভম লাকই। মদুনা মরম ওইরদুনা ঈ উতোং শোন্থরকই অমসুং হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা শোকচিল্লকই। য়ারিবমখৈ ব্লদ প্রেসরগী রিদিং অসি ১২০/৮০ দগী হেলহন্দনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা রিদিং অসি ১৪০/৯০ য়ৌখ্রবদি খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়না লৌগদবনি। বিপিহন্থহন্নবগীদমক সোদিয়ম য়াওবা চীঞ্জাক হন্থনা চাবগা লোয়ননা য়ু অমদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদো-ক্কদবনি অমসুং চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগদবনি।

হকচাংনা কোলেষ্ট-রোল মথৌ তাই। অদুবু ঈদা কোলেষ্ট-রোল কা-হেন্না য়াওরবদি ঈ উতোং ফুল্লক্তুনা ষ্ট্রোক নৎত্রগা হার্ট এটেক তৌহল্লকপা য়াই। কোলেষ্ট-রোল হন্থহন্নবগীদমক পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা ডোক্তরগা তান্নদুনা হীদাক-লাংথক চাগদবনি।

হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎ-লকপা মতমদা ব্লদ প্রেসরগী চাংসু ৱাংখৎলকই। ব্লদ প্রেসর ৱাংলবদি হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্কসু ৱাংখৎলকই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহল্লোইদবনি। হায়রিবা পুম্নমক অসি ইশা ইশাগী কন্ট্রোল মখাদা লৈবা থৌরাং ঙাক্তনি।

# মরাল লৈবশিং মতীক চাবা চৈরাক পীগদবনি: নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সভেন তম্লিবী থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়দগী নিংথৌজম বেবিসনানা স্কুল অসিগী বোর্দিংদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা নুমিৎ ৭-৮ নিরোম শুরবা ফাওবদা লৈঙাক্লা চেন্নবা মীওই অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা অসি ওল মণিপুর নুপী মরুপনা অঙকপা ফাওই। মীশি অসিগী লংলা-লংজিন অথুবদা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতীক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জুলাই ১৮গী অয়ুক্তা নিংথৌজম বেবিসনাবু লৌতুনরগা হাৎপা মানবা মওংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বগী মতাংদা ঙসি ফাওবা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা অশেংবা লংলা-লংজিন পুথোক্তবা হায়বসি স্কুলসিগী ওথোরিটি খরা চেন্নরে হায়বসি মশানা তাকচরে। মসিদা নুপী মরুপনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। পাল্লিবা লৈঙাকসিগী অশোনবা, মশাগী চপ চাবা ফিরেপ লৈতবা শেঞ্জাও পায়ববু শৌগৎপা, প্রাইভেটতা হেন্না থৌনা পীবা পামজবা মীচম মীয়ামগী খন্দবা, চীন্দনা অমা হায়বা, তৌথোরকপদনা অমা তৌবা অসিগুম্বা থৌশিল অসি য়ানিংদে। মমাংথক্তসু লমদম অসিগী স্কুল কয়াদা মহৈরোয় নুপীমচা কয়াগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখিবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অয়াম্বা স্কুল ওথোরিটিশিং চেন্নরম্বগী ৱাফম কয়া লৈখি। তুংগী মীরোলবু অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎকদৌরিবা লাইশঙগুম্লবা মফমসিদা শারমচৎ চৎপা মীওইশিংবু মরালগী মতীক চাবা চৈরাক পীখিদবনা য়াই খন্দুনা মখা তানা চথুরকপনি হায়না লৌই।

হন্দক্কী থৌদোক অসিদা স্কুল অসিবু চল্লাইরিবা প্রিন্সিপাল, এদমিনিষ্ট্রেটর অমদি বোর্দিংগী ৱার্দেন ফারগা ৱাহং পাউহং তৌবদা লংলা-লংজিন পুম্নমক থোক্লক্কদবদু হৌজিক ফাওবা পুলিসনা তৌদবগী মরম করিগীনো। স্কুল অমদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং স্কুল মতমদা স্কুল মনুংদা খুদোংথিবা থোক্লকপদা মসিগী অফ-ফত্তা পুম্বা প্রিন্সিপালনা পুগদবনি। স্কুলসিদা মমা মপা ওইবা কয়ানা য়াম্লবা শেনফম কয়া থীরগা মচাশিংবু মহৈ-মশিন হৈননবগীদমক বোর্দিংদা থম্নরিবনি। করি মরমগী অসিগুম্বা নুংঙাইতবা থম্মোয় শোকপা থৌদোক অসি থোকহল্লিবনো। হেদ ওফ দি ইন্সটিট্যুসন অমনা মাগী রেস্পোন্সিবল ওইরবা থৌদোক অসিদা করিগী মীচেন ওইরগা লৈরিবনো। পুলিসনা শক মায় য়েংবগী থবক অথুবদা তোক্কদবনি। স্কুলগী প্রিন্সিপাল ফাগদবনি। মীহাৎপশিং অথুবদা পুথোক্তুনা মরালগী মতুং ইন্না মতীক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## উ-চারা থাগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ৱান মণিপুর দাউনলোদিং পিচনা শিন্দুনা জুলাই ২৭কী অয়ুক পুঙ ৯ তাবা মতমদা নোংমাইজিং চিঙদা লৈবা সনামহী কিয়োংগী মশাইকোলদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়না ৱান মণিপুর দাউনলোদিংগী সেক্রেটরি এন দোরেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, উ চারা থাবগী থৌরম অসিদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চেয়র্মেন এস রাজেন, য়াইস্কুল এসিগী এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রটা অমসুং সেকমাই এসিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনচিংবা শক্লাইরবা মীওইশিংনা শরুক য়াগনি। উ চারা থাবগী থৌরম অসিনা এনভাইরনমেন্ট কনবগা লোয়ননা ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরিবা চৈথেং অসি খরদং ওইরবসু কনবা ঙমগনি হায়রি।

## লম্বী শেম্বা লোইশিনবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): খুরখুল-হরাওথেল তাবা লম্বী অসি শেম্নবা তৌথোকপদগী শীজিন্নবা য়াদনা লৈরে। অথুবদা শেম্বা লোইশিনবীয়ু হায়না খুরখুল ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ প্রেমচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, লম্বী অসি মরুওইনা খুরখুল মখা লৈকায়গী খুঞ্জাশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবদা শীজিন্নবা লম্বী অমনি। হরাওথেল, মুলাই খুলগী মীওইশিংনা মরুওইনা চৎনরিবা লম্বীনি। লম্বী য়াদবদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়নসু মখা তারি।

MONARCH MARKING SYSTEM
Monarch® PAXAR®
BUY GENUINE-BE SURE
❖Monarch labellers are ideal for marking Price, Date, Batch No., Colours, Code etc.
❖Labels can be pre-printed with your name & logo
InnoSealer
Please contact us for all your requirements of labellers, spares, genuine labels & service
For Details Contact :
Mobile : 7005262327
email : shamaagencies@yahoo.com
HL-P/3479/27

ইরমদম মণিপুরগী লৈবাক-লৈহাও অমদি হৱা-নুংশিংকা চান্নরবা
ক্বা-মনা (মীথা-মনা)
থাবিনিংবশিংনা
YENNING GREEN PLANTATION
তগী চারা ফংবিগনী।
For any query, Kindly Contact
Yenning Green Plantation
Palace Compound, Govindajee Road
Near Andro Bus Parking, Imphal East, Manipur-795001
☎ 6909651574/ 9485254065

URGENTLY WANTED
YENNING FOUNDATION FINANCE

| | |
|---|---|
| Name of the Post | AGENT |
| Number of Post | 200 |
| Salary | 10,000 |

No Deposit
No Donation
Please Contact :-
Yenning Foundation Finance
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Bus Parking,Imphal East, Manipur-795001
☎ 6909651574/ 9485254065
HL-B/5557/20/7-31/8/1-19/9

# মীয়ামগীনি মীয়ামগী হিংখিগনি, লমন শিংবা ঙম্নবগী থৌনা হাপ্পীয়ু

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা



কাইকু রাজকুমার, শকুইরবা এক্টর

ইরমদম মণিপুরগী আর্টিষ্ট কয়া অমগী মনুংদা মীনোক মৈশা, অৱা-অনা কয়া খাংদুনা ঐ মীয়াম্না শক খঙবা শক্লাইরবা মীশক অমা ওইদবা য়াদে হায়দুনা কন্না হোৎনবা কয়া অমা লৈতবসু নত্তে। শুপ্নগী মীশীং লাখ ২৯ মুক্তং লৈবা পিকথ্রবা মার্কেট অমা ওইবত্তা নত্তনা লমদম অসিদা মখল মখা কয়াগী অয়েৎপা-অথিংবশিংগী মরক্তা ফিল্মগী লাইনদা এক্টর অমা ওইনা হিংবা হায়বসি খাঙবদা ৱারবা মরোল থোক্তবা মীশক অমগী চিনবান্দা ফুমদুনা লৈরিবা ৱাহৈ অমগুম্বনি। ফজরবা মঙলান অমগী তাইবঙপান অমগুম পাক চাউরবা স্ক্রিনদা নোকফেৎ তৌবা মিনোক্লা মীয়ামগী থম্মোয়বু শুমহৎলগসু নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙ অদুগী মরুমদা পুন্সিগী হিংনবগী লানফমদা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মীয়ামগী **'বসন্তগী নোঙাল্লমদাই'** গী 'মণি' অমদি **'ইনাক্তা লৈরিঙৈ'** ফিল্মগী 'খাবা' গী রোলদা মীয়ামগী থম্মোয় হুখিবা, মতম শাংনা ফিল্মগী লম্ অসিদা লমদম অসিগী ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা ঐখোয় পুম্নমক্কী রাজকুমার সোমেন্দ্রো মীয়ামগীনা কাইকুগা হুইয়েন লানপাউগা উন্নজরুই। উনজরুবদা হংখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা ৱাফম কয়া অমা ফোঙদোকপিরকই।

কাইকু হায়বা মিং অসি দিমাপুরদা লৈরিঙৈদা লমদম অদুগী মীয়াম্না নুংশিবিদুনা কৌবিখিবনি। তশেংনা হান্না সোমেন্দ্রো হায়নসু কৌরমদে দিমাপুরদা অমদি সিক্কিমদা লাইরিক তম্লিঙৈদা রোমেন হায়না কৌরম্মী। মেট্রিক থারমদাইদা রোমেন কৌরম্বদগী সোমেন্দ্রো হায়না ওন্থোকখিবনি অদুবু মীয়াম্না নুংশিনা কৌবিবা কাইকু হায়বসিনা ওইনা অদুম নম্না চৎলে। অঙাং ওইরিঙৈদগী বেদমিন্টন শান্নদুনা হৌরকই, স্পোর্টসতসু থৱায় য়াম্না য়াওজরকই অদুনা মখল-মখা কয়াগী স্পোর্টস শান্নবনা কাইকুগী হোবিনি অদুগা য়াম্লুং কাইকুনা য়াম্না পামজবা এঞ্জাংদি ইরোনবা অমদি কাংশোয়নি। তশেংনা ফিল্ম কুমগে হায়না খনখিবদি লৈতে অদুবু অঙাং ওইরিঙৈদগী ফিল্ম য়াম্না পামজদুনা মখল-মখা কয়াগী ফিল্ম য়েংদুনা লাকই অমদি ঐবু পোকপিরম্বা পাবুংনা ফিল্ম কুমহনবদি পামখি। পাবুংনা পামজরম্লগা লোয়ননা তাইবঙ শেম্বা মপুনা লম্বী অসিদা চিংশিল্লক্তুনা মীয়াম্না নুংশিবিবা মীশক অমা হায়বদু ওইরকপা ঙমখিবনি হায়না খঞ্জে। করিয়র হৌরকপা মতমদা লিলাসু কুমজরম্মী। লীলা অমদি ফিল্ম অনিসি তোঙান-তোঙানবা লম্বী অমমম্লি। লীলা অমদি ফিল্ম অনীমক্তা অৱা-নুংঙাই লোয়না লৈ তৌবতবু লীলাদনা শোয়খ্রবা মতাং অদু শোয়না অদুম চৎখি অদুগা ফিল্মদনা শোয়খ্রসু রিটেক তৌদুনা শেমদোকপা য়াই। লীলাদা ফাওরবা কয়া অমা ফিল্মদা ফাওবা ঙমদবা অমদি ফিল্মদা ফাওরবা কয়া অমসু লীলাদা ফাওবা ঙমদে অদুনা মসি মাগী-মাগী চান্নবা তোঙানবা লম্বী অমমম্লি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অহানবা ফিল্মগী লাইনদা চঙলকপা মতমদা এক্টিংগী ক্লাস য়াওরক্ত্রাসু হান্না শুমাং লীলা য়াওরকখিবনা কা হেন্না অৱাবা হায়বদুদি ওইখিদে। অদুবু লৈখিদ্রবা ওজা বিরজিৎ ঙাঙোম্বানা য়াম্না ফজনা তাকপী তম্বীরকখি অদুনা পুন্সি অসিনা লৈরিবা মখৈদি ওজাবু নীংশিংদুনা লৈরগনি। ওজাশিং অমদি ইথক থোংবা সিনিয়র কয়া অমনসু তাকপী তম্বীরকখিবসু য়াওখি। ফিল্ম, এক্টিং, দান্স হৈদুনা অমদি শক য়াম্না ফজরুবগী অমদি থোইদোকপা মতিক-ময়াই লৈবা হায়বদসু নত্তে। মীয়াম্না নুংশিবিদুনা কাইকুনা কুম্বা ফিল্মনি হায়দুনা মীয়াম্না য়েংবিবা অদুনা মীয়ামগী থৌগল অসি তৌবা ঙমজবনি। ঙসি মীয়ামগী অঙম্বা থৌগল তৌবা ঙমজরিবসি ফেমিলিগী ইমা, পাবুং অমদি ঐগী লোয়নবীনা কন্না সপোর্ট তৌবিবা অমদি মীয়ামগী মতেংদগী ঙমজবনি হায়না পাউচে অসিগা উনরুবদা কাইকুনা ফোঙদোরকখি। মহাক্লা মখা তারদুনা হায় **বসন্তগী নোঙাল্লমদাই** হায়রিবা ফিল্ম অসি রেদিও দ্রমাদসু অমদি লীলাদসু য়াম্না ফাওখিবনা ফিল্ম অদুগী লিদ রোল লৌদুনা মায়পুননা **বসন্তগী নোঙাল্লমদাই** নম্বা হৌখিবা মতমদা ফিল্ম অসি মীয়াম্না পামবিগদরা খন্নবদা পাখৎপা, অৱাবা, অকিবা অমদি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইখি অদুবু ফিল্ম ওইনা পুথোরকপা মতমদদি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা হায়বদু ওইখি। মণিপুরদা ফিল্ম পুথোক্লিবা দিরেক্টর অয়াম্বা লোয়না ফৈ। এক্সন, রোমান্স, কোমেদি, থিলরদা পামজবা-ঙাওজবা মাগী-মাগী চানবা হীরমদা থবক তৌরিবা দিরেক্টর খুদিংমক লোয়না থবক তৌমিন্নবদা নুংঙাই। এক্ট্রেসশিংদসু চপ মান্নে, কুম্মিন্নরিবা এক্ট্রেস খুদিংমক লোয়না ইচনগুম লোয়নৈ। ফিল্মগী লম্বী অসিদা চৎপসি অৱা-নুংঙাই হায়বদুনি হৌরকপা মতমদদি শেল ফংবসু নত্তে, য়ুমদগী ইমা-বাবাদগী শেল লৌরগা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরকই। শেৎনবা ফিরোল লৈতবনা সেকেন্দ হেন্দ দুকানদগী ফি লৈরগা শেত্তুনা ফিল্ম নম্বা ফাওবা য়াওখি। অৱাবশিং অসি মীয়াম্না উদে হায়বসু য়ারোই, উবি। ঙসি মীয়াম্না য়াম্না নুংশিবিরিবা অসি য়াম্না ৱানা হোৎনজরুবা অদুগী মহয়নি খঞ্জে।

ফিল্ম কুল্লম্বদগী পোলিটিক্সতা লাকখিবা অসি ঐগী ওইনদি তাইবঙ শেম্বা মপুনা চিংশিনবিরকপনি হায়না খঞ্জে। মরমদি নহা ওইরিঙৈ মতমদা স্পোর্টস শান্নদুনা লাকখিবনা পোলিটিক্সতা চংবগী ৱাখল শুক্লে লৈরমদে। অদুবু ফিল্মগী লাইন অসিদা চংলুবদগী ফিল্ম নম্বগী মণিপুরগী কাচিন কোয়া মফম খুদিং চীং অমদি তমদা চৎলুবা মতমদা থেংনরকখিবা অৱা-অনা কয়াশিং অদু উরুবগা নুংঙাইতবা কয়া অমা ফাওখি। অৱাৎপনা থল্লবা থক্লবা ঈশিং ফংদবা, নারকপা মতমদা লায়েংনবা হোস্পিটাল লৈতবা, লম্বী থোং, য়ূম্লে-কৈরৈ য়াম্না নাতে চাহৌদবা মফমশিং অদুদা ৱানা লৈহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবা পেন্দবশিং অদু তারবা মতুং অয়াম্বা মতমদা থাম্মোয়দা তত্তনা হংজখি করি তৌসিগে হায়না? অসুম্না লমদম অসিগী করিগুম্বা খরা তৌদবা য়াদে খঞ্জদুনা পোলিটিক্সকী লম্ অসিদা চংলকখিবনি। ঙসি ঐনা পিক্লবসু-চাউরবসু থাক অসি ফাওবা য়ৌরকপা ঙল্লিবা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না নুংশিবিবদগীনি অদুনা ঐনসু তেল্লবা পুন্সি অসিদা করিগুম্বা খরদং ওইরসু তৌরম্বা পাম্বদগী করম্বা লম্বীদা চংলগা হেন্না ফজনা মীয়ামগী মতেং পাংবা ঙমগদগে খন্দুনা পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি হায়না তুংদা মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবগী অচৌবা ৱাখল অমগা লোয়ননা ফোঙদোকপিরকখি।



আর্টিষ্টগী অমগী পুন্সি লম্বেল অসি য়াম্না তেল্লি, মসি তেল্লবদা চহী ৫, লাইবক ফরগনা শাঙলবদা চহী ১০ মতমগী মতুংইন্না অহোংবা অনৌবা আর্টিষ্ট থোক্লক্কনি অদুনা ফিল্মগী লাইনদা নৌনা খোঙদারক্লিবা নহাশিংনা লম্ অসিদা মায় পাক্নে হায়রবদি ওজা, অহল-লমন ইকায়খুম্নবা, দিসিপ্লিন লৈবা, ইশাগী হৌরকফম কাউদবা য়াম্না মথৌ তাই। করিগুম্বা ইখঙ খঙহৌদনা মায়পাক্লক্তুনা ইগো লাক্লবা মদু কুইনা চৎলরোই। মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়রবদি থকশি-খাশি লৈবা অদুগা য়াম্না মরু ওইরিদি ফনা মায়পাক্লগাসু ইশাগী হৌরকফম কাউদবা, ঐ করম্না, কন্দাইদগী হৌরকপনো হায়বসি নুমিৎ খুদিং নীংশিংবিবা ফৈ হায়নসু ফোঙদোরকখি।

হৌজিক্কী ওইনদি অনৌবা ফিল্ম লৌবা ঙমদ্রি অদুবু লোইশিন্দবা ফিল্ম খরা লৈরি। **থবাতোন-৩, ইবোতোন অপাইবী** হায়বনচিংবা ফিল্ম অহুম-মরি লৈরিবসি হান্না মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুং তপ্না চহী অমদা ফজবা ৱাহন্থোক লৈবা সোসাইতি অসিদা অচৌবা মেসেজ পীবা ফিল্ম ওইনা তৌগে হায়না খল্লি। মীয়ামগী থৌগলদি লেপচখিরোই। মীয়মগী মীনুংশি, শেন্বিরকপগী শিংঙমদ্রবা লমন কয়া অমা লৈরি অদুনা অঙম্বা তৌবা য়াবা থবক তৌখিগে হায়না খল্লি হায়না মীয়ামগী কাইকু রাজকুমারনা ফোঙদোকপিরকই।

ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ